# কুইরবগী তুং, মোদি ৱা ঙাঙলক্লে

নৌরিবী নুপী অমগা মীয়ায় চল্লবী নুপী অমগা মশাদা মফি থোংহন্দনা লন্বী/লম্মাংদা লম হেনবা নুপা খরনা খোঙ্গোয়ননা পুবগী ভিদিও অমা ভাইরেল ওইহন্দুনা, নেসনেল ন্যুজ মিদিয়া খরনা মণিপুরগী মীওই ফুরুপ অমবু শারমচৎ চৎপা, চাওখৎতবা কাঙলূপ অমা ওইনা উহন্নবা হোৎনরকপা...ভিদিও ফুটেজ অদু উরুরগা, তমথীবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা নুমিৎ হুম্ফতরাতরুক্কি চুপ্পা ৱাহৈ অমত্তা চীনবান কাঙঙু য়াখিদবা ইন্দিয়ান প্রাইম মিনিষ্টর'না খৎনরিবা কাঙলূপ অনীসিগী মরক্তা অমদা মীচং চঙবা মানবা ৱাহৈ খরা কাঙথোরকপা অসিনা ঐহাকপু, থম্মোয় পুবা ঙমদনা ৱাহনখি। ৱাহৈ অমত্তা ঙাঙনিংখিদে, ইনিংখিদে। খনখি-মায় অসি থাঙ্গৎতুনা মীমাঙদা করম' চৎকনি। তমথীরবা লান'সিগী মরমদা থা অনী মখায় লেপ্তুনা থম্মোয়'মপাউ পাউদমলকপা... মখা করি পাউদমগনি? ৱাহৈগী উমংদা লম্মুক্লখি। পূক্লিং ৱাখল অনীমক হীকথরকখি। থা অহুম শুজিল্লক্লবা মীহাৎ-মীপুন-হাৎনা-শুনবগী ৱাথোকসিগী খ্বাইদগী থম্মোয় শোকপা থৌদোকশিংগী মরক্তা অমনি নুপী অনী ফি থোংহন্দনা খোঙ্গোয়নবা।

পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম হৌবা নুমিৎকী সেসন হৌরমদাই, প্রাইম মিনিষ্টর মোদি'না মিদিয়া'দা ফোঙদোকখিবা ৱাহৈ খরদুনা মথৌনা হাপ্লবা নেসনেল মিদিয়া হাউজ খরনা, অতোপ্পা পাউ লৈত্রবগুম নুমিৎ হুম্ফুতরা-তরেৎ-মমাঙগী থৌদোক অদুগী ভাইরেল-ভিদিও অদু নুমিৎ চুপ্পা হঞ্জিন হঞ্জিন উত্তুনা 'মৈতৈ-ফুরুপ'কী মীওইশিংবু' মৈতৈ-কুকি-লান'সিগী মীফত্তা ওইনা উহন্নবা হোৎনরকখিবা...মালেম পুম্বই মীয়াম্না মৈতৈশিংবু তুক্কৎচনা য়েংহল্লকখিবা... নুমিত্তুগী নুমিদাংৱাইরম, থাজনিংঙাই ওইবা ছোর্সতগী ফংবা পাউ অমনা ঈশিং চাইবগুম চাইরক্তুনা পত্থরুরবা পূক্লিং তেকখৎহল্লকখি। কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি) গী মিদিয়া কো-ওর্দিনেটর'না প্রেস'তা থাদোরকপা চেরোল'দুদা ইরন্মী...'ভাইরেল ভিদিও অদুদা ভিক্তিম ওইরিবী নুপীদুনা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সি দ-ৱাইর হায়বদুদা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখ্রে, মখোয়বু মফি লৌথোকহনবা, হকচাংদা খরা থেংখিবা নত্তনা, মখোয়গী ঈকায় খুম্নবা মাঙহনখিবা (রেপ তৌবা) গী থৌদোক অমত্তা লৈতে'...। মখোয়দা কা হেন্না তোর্চর তৌখিবা, হাৎপা-তুপ্পা তৌখিদে, মখোয় হিংলি হায়বদি মশানা মিদিয়াদা পীরম্বা ষ্টেটমেন্ট অসিনা তাকচরে।

ৱাহং অমা থোক্লকই-মখোয়বু রেপ তৌখিদে, হাত্তোকপসু তৌখিদে হায়রবদি অশাওবনা লাকহৎলবা নুপাশিংদুগী মখুত্তগী মখোয় করম্না নাম্থোরকখি? নুপীশিংদু রেপ তৌখি/হাত্তোকপীখি হায়রগদি ফি থোংদনা খোঙ্গোয়নবগী ভিদিও ইমেজ লৌহৌরিবা মহাক, মতমদুদা কৈদৌদুনা লৈবগে? অশিবা হকচাং ফঙখিবরা? করি ইন্টরেষ্ট'তা লৌরুরিবা ভিদিওনো? হৌজিক্তি, মখোয় হিংলি, রেপ তৌখিদে হায়বা ভর্জন অমসু থোরল্লবনিনা, মখোয় অনী মোব'তুদগী করম' নাম্থোরকখি। কনানা কনবীরকখি হায়বা ইনফোর্মেসন অসি কেস'সিগী মখা তাবা প্রোসিদিংস অমদি মরাল লৈরবশিংগী মরাইবক লেপ্পদা খ্বাইদগী মরু ওইবা ৱাফম ওইরক্কনি। চুম্মী/লাল্লি খঙদ্রিবা, ইভিদেন্স লৈত্রিবা ৱাফম অমদি নুপী অনীদু, মীওই খরনা (মৈতৈশিংনা) মফি-মরোল শেৎচিনবীরগা, কার অমদা খুদোংথীনিংঙাই ওইদবা মফম অমদা থিনে দাকপীখি' হায়বসিনি। মে ১৭ তা চনখিবা এফ আই আর (ফাষ্ট ইনফোর্মেসন রিপোর্ট) জুলাই তারিখ ১৯ ফাওবা এক্সন লৌখৎলমদবা করিগীনো? থৌদোক্তুগী ভিদিও ক্লিপ্পিং লৌখ্রিবা মীশক অদুনা মতম অসুক কুইবসি কনাদসু সেয়র তৌদনা/তৌরবসু ভাইরেল ওইহন্দনা থল্লক্লগা, কাঙলূপ অনীগী ঈরাংসিনা লানগী শক্লোন লৌরক্লবা, ঈরাং লাকশিন্নবা থারকখিবা ইন্দিয়ন আর্মিনা লান'দুবু কুমহৈ য়েংবগুম য়েংলকখিবদগী য়েংহৈদ্রবা লানফম ওইরক্লবা, পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম ফমগদবা নুমিৎকী অয়ুক্তা পেন্দোরাগী উপু হাংদোকপগুম হাংদোরকখিবা করিগীনো? তারিখ মরিগী মতুংদা থোকখিবা তমথীরবা থৌদোকশিংগী ভিদিও ইমেজ সোসল মেদিয়াদা চোইনা চাইনা লৈরিবশিং অসিদি নেসনেল ন্যুজ মেদিয়া অমত্তদা থাদোক্তবা করিগী? ইন্টরনেট সর্ভিস, ষ্টেটসিদা ব্লাঙ্কেট বেন তৌই, পুমথীং থীংই হায়রগা মৈতৈ তাবা তম্পাক-লম খক্তদা থিংলগা ট্রাইবেলশিংনা খুন্দাবা চীংগী লম পুম্নমক্তদি থিংলমদবা করিগী? কোলকাতাদা লৈবা মরুপ অমনসু, দিল্লিগী মরুপ অমনসু হায়রকখি...'কুকিশিংনদি মৈতৈশিংনা মখোয়বু ওৎপী-নৈবীরে, মপাঙ্গল কনবা তমথীরবা মৈতৈশিংগা লৈমিন্নবা ঙল্লরোই হায়দুনা ভিদিও মেসেজ মশিং খঙদনা থাগৎলকই, নখোয় মৈতৈশিংগীদি অমত্তা উদে, নখোয়দি ঈরাঙসিদা ভিক্তিম ওইদবরা... নখোয়গীদি দিমান্দ লৈতবরা? নেসনেল মেদিয়াদা করিমত্তা থাগৎলক্তবা করিগীনো...?

ঐসু খঙই, তায়-নুমিৎ ৭৭ কি মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক অমগী পাউদুনা, মণিপুরদা থোক্লিবা নুমিৎ ৭৯ শুরবা কুকি-মৈতৈ-লানসিগী নেসনেল ন্যুজ চেন্নেলশিংনা থৱায় চঙনা নৈনরকপা অহানবা প্রোগ্রাম অমনি। প্রাইম মিনিষ্টর মোদি'না ৱাথোকসিগী মতাংদা থম্মোয়গী ৱা ফোঙদোরকপসু অহানবনি। থাগৎলোইসিগে করম্না। মখুৎ চল্লবা য়েক্লবা লাল্লোয়শিংগী মঙক কক্তুনা হাৎলগা করেম্ননা নোকখিবা...শিরবা হকচাং অদুবু মতুপ মতুপ কল্লগা শা শেম্বগুম শেমখিবা... মৈচাক ফনা চাক্লিবা শেরৌগী যূম মরক্তা মমা-মচা অনীবু হিংনা হিংনা লংশিন্দুনা হাৎখিবা...ৱাখল লায়না নারবী (মাইবী চঙলবী) নৌরিবী নুপীমচা অমনা লোনবা চোইরোন্দা 'মৈতৈনা লান ঙমগনি' হায়রুবগী সোরোক য়াঙবীথক্তা নোংমৈ পায়বা খরনা মীহাৎ থীনা হাৎখিবা...পু থাঙনা লেল্লগা থীবোং থীরিন অমসুং মায় মীৎতা ব্লু লেম্পন কামশিল্লগা হাৎখিবা...হিংনা মীৎ কোৎখিবনচিংবগী ৱারীদুগা নুপী অনীবু লমহাংদা মফি থোংদনা চৎহনবগী থৌদোক্তুগা অনীসি ব্রুতেল ওইবা করম্বনা হেনবগে? ৱাথোকসিগী হৌরকপদা তাখিবা, তাবা ৱারবা অকিবা মশক ফঙলবা থৌদোকশিংদু ভিদিও সপোর্ট তৌরল্লবা, তম্পাক-লম'দা থল্লিবা ইন্টরনেট বেন'সি লৈরমদ্রবা... মণিপুরগী ৱার-ক্রাইম-সিন' অতোপ্পা শক্লোন অমা লৌরমগনি শোয়দনা।

মে তারিখ ৪ গী থৌদোক- মীওইবগী ৱাখল চেনবা সিভিলাইজদ-সিটিজেন অমনা নিন্দা তৌদনিংঙাই মরম লৈতে। হাইলি কন্দেম্নেবল। লৌখৎফম থোকপা আইনগী থবক লৌখৎলি। ৱায়েন চত্থরগা, ফঙফম থোকপা আইনগী চৈরাকসু ফঙজগনি, ফঙসনু-কনানসু কনখৎলোই। আইনগী চৈরাক নত্তবা, মৈতৈ খুন্নাই চৎনবীনা পীবা চৈরাক অমসু পীরি-ময়ুম মৈ থাদোকপা, ঈমুং মনুংগী মীওই অমত্তা লৈকায়দুদা লৈহন্দবা। অসিগুম্বা চৎনবী-মণিপুরগী অতৈ ফুরুপ অমত্তদা থেংনদে। ভাইরেল ওইরবা ভিদিওদুদা য়াওরিবী নুপী অনীদু মৈতৈ নুপী ওইরম্মু-মীয়ামগী মোব অদুনা কুকিশিং...নুপীদুগী মরাইবক করি ওইরম্নি? জষ্ট ইমাজিন য়োরসেল্ফ।

মে ৪, ২০২৩- নুমিত্তুদা মণিপুরগী চীং অমসুং তম-কুকিশিং অমসুং মৈতৈশিংনা খুন্দাবা লমশিংদা লৈবা নহারোলশিংগী টেন্সন অমসুং অশাউবা-ৱাখলনা অমুক্তং শাগৎতুনা য়েংবীয়ু-মফম খুদিং খাম্বা য়াদনা ভাইওলেন্ট ওইরবা মীয়াম। কনানা, করম কাইহৌখিবা? ঐবু ইহনবীরনু-মালেম শীননা খঙনরে। য়েস, খঙহৌদনা হৌরকখিবা অকনবা ঈরাঙ মরক্তুদা, মমা-মপানা ৱারক্তবা, লমহেনবা নহা খরনা কা হেনবা থবক খরা তৌরম্লে, চুরাচান্দপুরদা মৈতৈ-নুপী নর্স অমদি দাক্তরশিংদা চৎহৈদবা লীচৎ চৎখ্রে হায়বা মশা-পানবা-তোকঙা অমনা খোয়শাউনহন্দুনা। অদুগুম্বা থৌদোক অমা থোকখরে-কনানসু খঙখিদে। নুমিৎ খরনিগী তুং এফ আই আর অমা পাল্লম্লে-কাং খোং চাইরিবা পুলিস দিপার্টমেন্ট, মতমদুদা এক্সন লৌরমদে। করম্বা মরন্নাই' ইন্টরেষ্ট'তা লৌরমখিবা ভিদিও ক্লিপ্পিংনো খঙদে, নুমিৎ ৭৮ গী তুং ভাইরেল ওইহল্লক্তুনা-শাংলবা থা অনীমখায়সিদা থোকখিবা হিংচা-য়াইতম্বগী থৌদোকশিংদু নমহত্তুনা এন্টি-মৈতৈ লীশিং অমা ইন্টরনেসনেল অমদি নেসনেল মিদিয়াদা শাগৎনবা হোৎনরকখি। নুপী শিংদুনা পীরম্বা শেংদোক ৱারোল (রেপ তৌখিদে/হাৎখিদে), মৈতৈশিংগী মথক্তা চত্থখিবা মীওৎ-মীনৈগী দোক্যুমেন্টরি ইভিদেন্স, মেদিয়া হাউজ অমত্তনা এটেন্সন পীখিদে। মৈতৈশিংগী রিপোর্টিং শোনবনরা? নেসনেল কন্নেক্সন ৱাৎপনরা? ইসানা ইসাদা ইরাল শীজিনবগী চৎনবী-মৈতৈ খুন্নাইদা শেমগৎলক্লিবা কুইরক্লে। নার্কো-টেররিষ্ট, মণিপুরগী কুকি মিলিটেন্ট-পোলিটিসিয়ন অহুমগী কম্বাইন্দ এটেক অসিদা ইন্দিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টরসু ভিক্তিম ওইগনি হায়বসিমদি নোংমতসু খনখিদবনি। নুমিৎ হুম্ফুতরাতরুকতরেৎ চুপ্পা খূৎলায় পায়দবা মৈতৈ খুঞ্জাশিংদা, কুকি-মিলিটেন্ট-অসাম রাইফলস কম্বাইন্দ টিম অমবু এটেক তৌহন্দুনা, মৈতৈশিংবুসু নমদুনা খূৎলায় পায়খৎহন' লানগী মশক লৌরক্তুনা মরাল লৈতবা মীওই লীশিং কয়া যূম লীংদবা মী ওইহনখিবা, চা কয়া শিহনখিবা থৌদোক্তুগী মতাংদদি ৱাহৈ' অমত্তা পন্দনা, মে তারিখ মরিগী সেকেন্দ খরগী ভিদিও অমা পার্লিয়ামেন্ট সেসন মমাঙদা ভাইরেল ওইহন্দুনা ভিদিওদুগী মরমদা ৱাহৈ মঙা তরাখক, সেকেন্দ খরা ঙাঙলম্বদুনা, ওনরেবল প্রাইম মিনিষ্টরগী চীনবান লান্দবা 'মন কী বাত' (পুক্লিংগী ৱা) ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লম্মী... 'মণিপুরগী ৱাথোক লোইশিনবা'- মহাক্কী পোলিটিকেল এজেন্দাদা য়াওদে...' অঙম অঙম্বা হাত্তোক্লরগা অঙম্বনা পানজসনু' - মাগী নুংগী ৱাখলনি...। অদুগা মাগী বোদি লেঙ্গুএজ অমদি মায়থোঙদা তাবা মমিনা তাকই'সিমসু... 'মহাক্কী থম্মোয় কুকিশিংবু নুংশিবা, মৈতৈশিংবু তুক্কৎচবনা থুমহৎলি?... চেৎশিনখ্রবা ফিরেপনি।

অদুবু, লৈপাকসিদা ঙসিদি খ্বাইদই কনবা, খ্বাইদই ঙম্বা মহাক্লি। লমদমসিগী লৈঙাক মকোক অমসুং মতুং ইনবা লৈঙাকপশিং-মানা কৌরক্লবকান্দতা দিল্লি তান্না চৎলগা মকোক নোল্লুবা নত্তনা, মীয়ামগী ৱাকৎ পুদুনা মখোঙ থীল্লুবা হায়'দুমা মথঙ' মপোক্তুদসু ওইথোক্লরোইদবনি। সেকেন্দ খরখক্তগী প্রেস ব্রিফিং অদুদা ৱাহৈদুনা ফোঙদবা, মীৎম্নাদুদা তাখিবা মৈতৈশিংবু তুক্কৎচবই মমি অদুনি উনখিবা মীয়াম্না। নুমিৎ মরিফু চুপ্পা হাৎন-শুনরক্লিবা, মাগী ৱাহৈ অমনা লেপহন'ঙম্বদুদি লেপহনগে ৱাখলদা মমি তাদরি, ঈরাঙ অসি লোইখিরোই। ●

-*ইন্দ্রকুমার*

# 'লান লেপ্লসে, মীনুংশিগা লোয়ননা হিংমিন্নরসি'

ঙসিদগী চহী য়াল্লবগী ৱারীনি, মতমদুদা ঐখোয় য়াম্না অঙাং ওইরি। নীংশিংলুবা কুইদ্রিবগুম খল্লি, ঐগী অবোক ইধৌ ঐখোয় পূন্না লৈমিন্নরম্মী। মাম্মা অনী, ইন্দোমচা অনী, ঐখোয় খুঙ্গং অমগী চীংয়াগী তম্পাক্তুদা চীংমীশিংগা যূমলোন্ননা য়াম্না নুংশিননা লৈমিন্নরম্মী। ইধৌ মেথস অমদি হিন্দিগী ওজা ওইরম্মী। যূমদা হিন্দি সবজেক্টকী অয়ূক অঙনবদা ট্যুসনসু তৌরম্মী। মাম্মদা ঐখোয়না তামো হায়না লোইনা কৌনৈ। লৈকায়দুদা তামোসু ট্যুসনদি অরোইবীদনে য়াল্লিবা। মহৈরোয়সু অয়ূক্কী নুংথিলগী মদুদসু নত্তে মহাক্তি চফু শাবা, য়ৈবসু হৈনৈ। লমদমদুগীদি চফু শাবসিনা অয়াম্বা শেম্থোক লন্বী ওইনৈ। অদুগা ঐখোয়গী অবোকসু খূৎ-শা হৈবনি। মহাক্না শারকপা চফু মহাক্না দিজাইন তৌরকপা খুদিংমক খুঙ্গংদুগী মীপূম খুদিংমক্না কল্লক্লরম্মী। অবোক্তি নেসনল এৱার্দ মশীং য়াম্না ফংলবীনি ইন্দিয়াগী। অবোক্না য়ৌদবা ষ্টেট য়াওরম্লোই খল্লি। নোর্থ ইষ্টকী ওইনসু পদ্মশ্রী এৱার্দ ফাওবা ফংখ্রে। অবোক্কী মমিং নাওরেম ওংবী নিলমনি দেবী থৌনাওজম ভিলেজ হায়না গুগলদা সর্স তৌরবসু হৌজিকসু অদুমক খঙবা ঙমগনি। খুঙ্গংদুদা লৈরিবা লৈকায় মীপূম খুদিংমক পুকচেল শেংবা, মীনুংশিনা থল্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। নোংমা অবোক্না ঐখোয়দা ৱারী লীরম্মী। চন্দ্রকোটো হায়রিবা চীংসিগী অবোক অমসু লৈরিবনি। অবোক্তো ঐখোয় অবোক্কদি 'ইতা' শান্নবনি। পংকুইদি কুইদনা চীংগী লান তৌই হায়না খুঙ্গংদুদা কোইচেন চেন্নে। চীংমীশিংদু শম অমমমগা ফিয়োমগা লোয়ননা। তাল্লক্তুদা অবোক্কী 'ইতা' অবোক 'লেমান্দো' ঈশ্বরগী মনাক্তা চৎখ্রে।

মতমদুগী লানদো হৌজিক হৌজিকসু থোক্লিবা লানসিগা খেন্নবা লৈব্রা। হৌজিক্তদা খঙলকই মতমদুগী লানগুম্না তম্পাক্তসু হৌজিকসু থোক্লিবনি। হায়জনীংবদি ঐখোয় মশেল মতেং ইতেং পাংনদুনা অসুক নুংশিননা পুকচেল খোইজেল তিন্ননা মতম চুপ্পগী লৈমিন্ননীংই। অদুবু কল্লকপা মিহৌবা কমজাওবা ময়াম অমা য়াওশিল্লকপদগী, মীনুংশি হায়বা মখৈ মায়কৈ খঙদনা মফম খুদিংমক্তগী হুমদোকপীখ্রে। ইরমদম ইমা লৈবাক অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ ২গী মরক্তা অচৌবা শম্বল খারক্লবগী মমি চাওনা উৎপীরিবসি কনাননো?

চাওখৎলকপগী মতুংইন্না মীনুংশিদি হেনগৎলক্রে, য়েক্লবরোমদা মশীং য়ামশিল্লবা মসিবু কনাগী মরালনো? কনাদনো ঐখোয়না হংলুগদবসিবো!

অচৌবশিং ৱাখল মুন্না খন্থবিয়ু অমদি থিন্থবা তৌদনা লৌখৎফম থোকপা মতম চারিঙৈদা থৌদাংশিং পাঙথোকপীয়ু। করিগীনো চীংমী তম্মী খায়রিবা, লৈকোল অমত্তদা শাৎমিন্নবা মচু কয়ানা পুল্লগা শাৎমিন্নবা লৈকোলনি হায়বীরগা, তূমিন্না লৈথোকপীরনু হৌজিক্তি চাওখৎলক্লবনি 'মা' হাৎপগী মতম নৎত্রে। 'মা' অমত্তা লৈনদ্রবনি, য়েক্লবা মশীং য়াল্লক্লিবসে কদোমদনো অহোবা উতোং' অমদি লৈরমগনি খঞ্জে। অহোবা উতোংগী মখুন থিদুনা মেনশিনবীয়ু।

কদোমদগী হৌরকপা লানগী লীপুননো মায়কৈ খুদিং লাম্মৈ মৈখু মরক্তনা মীশি-মীনাগী মীকপ মীরাওখোল মরকসিদা করম্বা আশা করম্বা য়েন্নীংথানো ঙাইগদৌরিসিবু, তম্পাক্তা লান খাম্মু হায়বী, অচৌবশিংনা চীংদগী হৌরকপা লান মখৈদু, চীংয়া তময়াগা লোয়াগী শুজ-নোমজরগা হিংজরিবা ইচিল ইনাওশিংদো লাঞ্জেন্নরি মায়কৈ খুদিংদা শেৎন-খাইনবগী অৱাবা কায়নবগী কপ্লিবসে তারিবা নত্রনে নখোয়সু।

খুঙ্গংগী মীয়াম্না হায়রক্লে ঐখোয়গী খূৎলায় মতিক চানা পীবিয়ু। ঐখোয়সু লান কিরক্রে। নুমিদাংগী মতমদনা হেল্লি মখোয়সু মমিৎ শিংবা। ঐখোয়সু শাওখ্রবদি নোংশাগুম্বগী শক্তম ওল্লক্কনি। ঐখোয় মীওইবনি, মীনুংশি পোকই, পেন্থোকপা হে অদুবু অতম্ননা শাওহল্লক্লিবসে ঐখোয় নোংশাদগীসু হেনবা অকিবা অমা ওইরক্লোই হায়নীংঙাই লৈত্রবনি।

অসিগুম্বা থম্মোয় শোক্লবা ৱারীশিং তাবদা মীৎতগী পি তাখিবা খঙহৌদ্রে। খুঙ্গংদদি অহিং তূমদবনা মশীং য়াল্লক্লে। লান লোইদ্রি ফাওদি তূমখিরোই হায়নহৌরি নুপী ওইবীশিংনা, নহা-অহল, লৈশাবী খাক্তনা অহাঙবা লন্বী লমজাওদা য়ারেকপসিবু মালেমগী করম্বদা লৈরিবগে লানগী মতমসিদা, হোরেন্না করিমুক তৌরক্কনি খনবগী মরমননি ঐখোয়না মৈরা পায়রগা করিগীনো মখোয়না অসুক খোয়শাওনবদি। মখোয়দি মখূৎতা মতিক চাবা খূৎলায় পায়রগা কোইতান তানবা, হাৎপসিদি করিমতা হায়বীদে, হংলুবগী ৱানি চীংলক্তা দ্যুটি তৌরিবা ষ্টেট ফোর্স ফাওবদা মখোয়দা তাংজরগা লৈরিবনি, মখোয়গী মখাদনি ফনা চাওবা ওফিসর ফাওবা হেনজিনবগা ঙম্বা নত্তে। ইতপতি তপচৈ, থবক কয়া শুদে, ইস্কোলসু কোইদে, মখোয় অয়াম্বনা করিমত্তদি শুদে। মখূৎতুদা আই ফোন অমা/অনী, লুপা ৫০০ চৎপীদি পেদ্রেক-পেদ্রেকনি। কদাইদগী অহনবা শেলনো চীংলক্তুদা। মরক মরক্তদি উ অচৌবা ময়াম ময়াম পুথোকই। মখোয়গী করম্বা বিজিনেসনো খঙদ্রে ৫০০ চৎপী পেদ্রেক ময়ামদুবো।

থবক অমত্তবু ফংলদি খন্দুনা ফনা হোৎনরবসু ইমুং অমদা মচাগী চানবা য়েংলুরগদি নুপাগীদি পুলিসতুদা হেক্তা মতাইদো। ঐখোয় মৈতৈগীদি অয়াম্বনা, ইমা ইপানা ইচিল ইনাওসু অদুম ময়াম্মি। নুপী অহুম নুপা অহুম চাওনবা য়োকপা থাকপদা হৌজিক মতমসিদা কয়াদি ৱানরি অদুবু থবক অমত্তবু তৌগে খল্লুই পৈশা লৈজদবা ঐখোয়দি নোংমগী অফংবা মদুদা তারে। পৈশা পীরগে খল্লগসু লৈজদে, মীগীদি কয়াদা কোম্না নুংঙাইনা পৈশা পায়রিবনো। ঐখোয়নবু সিফাই খল্লবদি লান লাকই হায়নরিবসে য়াম্না চুমখ্রে।

ঐখোয়না নখোয়বু খনবনি, নখোয় পূম্নমক মতিক চারে হায়না থাগৎলবনি, অচান মীরাই নাইদনা, ঈং-তপ্পা পুন্সি ওইহনবীয়ু ঐখোয়সু নতুং ইল্লক্কে অকনবা খোল্লাও নত্তনা লৈজদে পাঙ্গল শক্তি। লান পামদে ঐখোয়। মীনুংশিগা লোয়ননা হিংবা পাম্মী। ঐখোয়-নখোয়দা চেল্লিবা ঈ অসিনা ইমাগী অশেংবা ঈ ওইরবদি লান খাম্বীয়ু, নোংমৈ কাপ্পা লেপহনবীয়ু। যূমথংনরিবা ষ্টেটশিংগী মমাঙদা ফাওবীয়ু, মচিন-মনাও খৎনবদা মপা-মমানা খাম্ফম থোক্তবরা, ইমুং-মনুংনা খাম্বদি লায়রদনা থংনরিবা খুলদা চৎলগা পোথাবদুনা কান্নরোই। মতাং চারিঙৈ য়ৈহৌ হায়নবা লৈরিবনি। ঐখোয়গীদি পনবা য়াদে য়াইপন হায়বগুম্না হায়রক্কনি সু লৌথোকপীয়ু, এন আর সী চৎনহনবীয়ু, লান পামদে, ঐখোয় পূন্না হিংমিন্নসি, ঐখোয় পূম্নমক নুংশিননা লৈমিন্নবা শিনবীয়ু। তুংগী যূম্বী ওইরক্কদৌরিবা ইচা ইনাওশিংসে 'পাম্মুবা' হায়রিবা লাং অসিদগী অমুক্তদি কনমিন্নরসি। ইথন্তা লাকপনি ইথন্তা হনখিনি।

ঐহাক্না পীক্লিঙৈদগী থেংনজরকপা খঙহৌবা খরদগী ইথোকচবনি, মীয়ামলক্তগীসু হেন্না খঙজবসু হৈজবসু নৎচদে। ৱাখলদা থম্মোয়দা ফাওরকপা অমদি হৌজিক ফাওবদা থেংনরিবশিং মীয়ামগী মফমদা ফোঙদোকচবগী তাঞ্জা লৌজবনি, য়াম্নসু হৈজদে। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা অসিগুম্বা ৱারী ইবা, শৈরেং ইবা, পাবা য়াম্না পামজরকই।

ইধৌনা ঐখোয় লাইরিক তাক্না তাক্না লোইরকপদা শৈরেং ইবা পাবগী মওং মতৌ তাকপীরম্মী। ইধৌসু ইবা য়াম্না হৈ হায়না খঞ্জে। ঐখোয়সু ইধৌগী মতৌ তল্লিবনে হায়দুনা পংইদা ইরিপোৎনি। শৈরেং পাবদা ইধৌনা পাম্বগী মওং য়ৌদ্রি ফাওবা তাকপীরম্মী। অসিগুম্বা পামজবদুসু পূম্নমক নাথৈখ্রে, পুমকাউ কাউরুরে হায়বমক্লি। অদুবু নাথৈখ্রে খল্লুবা অদুমক অমুক নৌহৌননা ইনীংলক্লি। ঙসিদি পাউ ফাওনখিদ্রবা ঐগী মরুপ্তুগী মতাংদসু, লাঞ্জেন্নবদা য়াওরম্লগদ্রা হায়বসু খঙদ্রে। লান হৌরকপদা হায়রম্মী লানসিনা করিগুম্বা লেপ্তবা তারবদি ঐগী ইচানুপা অনীসে নঙগী ননাক্তা থিল্লক্কে হায়না। ফাগীদুম তাথোক্লগা ঐনা নঙদি লান য়াওরুরগে হায়ব্রা? মরুপ্তুনা খঙদেদাখূৎলায় পায়দবা ঐখোয়না কমদৌগনি। য়াম্না নুংঙাইতনা হায়রকই। মরুপতো ক্লাস থ্রীদগী তমিন্নরকপনি। মাগীসু নুপাঙাক্তা ২, ঐগীসু নুপা ২। পাউগসু খরা খরা ফাওনরম্বদো ফাওনখিদরে হৌজিক্তি, কোল তৌবসু ফংখিদরে। রিচার্জ য়াওদবগীরা হায়বসু খঙদ্রে মরুপতো।

অৱা নুংঙাই ৱারী শান্নজরম্বনি, নখোয়গী ইম্ফালদদি ঐখোয় লৈবা হৈনগদবা মান্দে। অচিকপা খুঙ্গং অসি পীক্না যূম মচাসিদা লৈবনা নুংঙাইজৈদা হায়রম্বনি। অশেংবনি ঐগী যূম হায়বসিনা অতৈদগী হেনদে। ফনা নুংঙাইবা মফমদা থম্বীরবসু লাঞ্জেন্নরিবা মখোয়না হায়রিবনে নখোয়না ঐখোয়গী অৱাৎপা অমত্তা থমদ্রবসু চীংয়াগী খুঙ্গংদুগী মতাইদা পীক্না শাজবা যূমদুগী মনুংদা ইচাশিংগা ঐখোয় পূন্না হাওবা হাওতবা থোংবদু হরাও হরাও চামিন্নখিবা, নোকমিন্নখিবদু য়াম্না নুংশি, অমুক্তংদি ফংহনবীয়ু হায়না হায়রক্তবা নত্তে। করিগুম্বা মরুপ মহাক্না ঐহাক্না ইজরিবা কলম অসি থেংনরবা, পাবীরগদি মহাক শোয়দনা ঐহাকপু নীংশিংলক্কনি থাজে। ●

-*মেল্লেবী (ননাও)*

# শক্তি অমত্তনা মণিপুর কাইহনবা য়াদে - (১)

## (ইথনিক ফুরুপশিং থোং মান্ননা চাওখৎমিন্নবগী পোরম য়াৎমিন্নগদবনি)

মপুমদগী মচেৎ তাবা হায়বসিদা লেমহৌরিবা মপুমগী শরুক্না মপুম অমগী মশক কাইদনা লৈহৌবা য়াবা মতমদা ওইথোকই। নৎত্রবদি মচেৎ তারিবশিংনা মপুম অমমম ওইনসু লৈবা ঙল্লোইদবতা নত্তনা হান্নগী মপুম অদুগী ফজরবা মশক অদুসু মাঙহনগনি। মসিগীনি চীংলৈবাক মণিপুরগী 'চীং' অমদি 'তম' খাইদোক্লবা য়াদবা মশক অমনি হায়দুনা লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা চেৎনা তাশিন্দুনা ঙসিগী মীরোলদা শিন্নবীরল্লিবা। মসিবু খঙজবা অচঙবা মচা কয়াননি চিংনবা লৈতনা থৱায়না পোম্থা পীদুনা চীংলৈবাক মণিপুরগী চীং-তমগী অপূনবা মশক ঙাক্লবা হোৎনরিবা, হোৎনখিগনি হায়বা। মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা ঙমখৈ অসি মীওইবগী হকচাং অমগুম্বনি, হকচাং কয়াৎ অমখক য়াওদবদা শোয়নাইবা হকচাং ওইগদৌরিবনি; কোক, মীৎ, নাকোং, নাতোন, খোঙ, খূৎনচিংবা কয়াৎ খুদিংমক্না মৈতৈ, নাগা, কুকি, মৈতৈ পাঙল অমদি য়েলহৌ ফুরুপ কয়াগী মহুৎ শিনবগুম্বনি। মসিদনি অশেংবা মণিপুরী মচা অমনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কাইহনবা য়াবা ফীভম অমা হেক লাকপা মতমদা মদুগী মায়োক্তা চোংথোক্তুনা শিবা কিদনা লাম্থেংনবা ঙল্লিবসি। শক্লাইরবা সোসল ইদিওলোগ প্রোফেসর নাওরেম সনাজাওবনা হায়বীরম্মী মদুদি 'চা' গী মশক (আইদেন্টিটি) তাকপদা 'চা-মহি'গা, মসিদা য়াওরিবা 'কপ' কা খাইদোক্লবা য়াদে। কপ (পাত্র) গী অকোয়বা মপাল মণিপুরগী কোইশিল্লিবা চীংশাং পরেংশিংনি, য়াওরিবা চা মহিগী ঈমাইনা তম্পাক্লি। মসিনা চীং-তমগী খাইদোক্লবা য়াদ্রবা মণিপুরগী শক্তম তাক্লিবনি। কনানা কপকী মখোক (হেন্দল) পায়দুনা কপ অসিবু নিক্লি খঙগদবনি।'' কুমজা ১৯৪৯দগী কপকী মখোক পায়দুনা লাক্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মসিগী হংলাই মণিপুর লৈঙাক্না মণিপুরগী ওইরিবা অৱাবা ফীভমশিং পূম্বগী থৌদাং পুগদবনি। অদুবু মে ৩দগী হৌদুনা মণিপুর ষ্টেটকা কুকি ইথনিক আর্মদ টেররিষ্টশিংগগী মরক্তা থোক্লিবা মুক্লবা অসিবু থা ২ হেল্লক্লবফাওবদা লোইশিন্দনা, হিংশাগী থৌদোক ৱাথোকশিং নোংমা কাংদনা চত্থহন্দুনা থল্লিবা অসিনা চহী লিশাং শিংনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না থৌদাং লৌদনা লাকপগী লারবা খুদমনি। তৌহৈদবা, মণিপুরগী শাংলবা পুৱারীবু খঙশিন্নদনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না জুন ১৪, ২০০১দা নাগা ফেক্সন (আই এম) বেঙ্কোক য়ানৱারোল খূৎয়েক পীনবদা হুগী মশক ওইরবা ৱাহৈ অহুম 'ৱিদাউথ টেরিটোরিএল লিমিটস' হাপচিনখিবা, খোইশাওনরবা মীয়াম্না খোই মহুম নিক্লুবগী শাওদুনা পাইথোরকপা খোইয়ামগুম পাইথোরক্তুনা মণিপুরগী এসেমব্লি অমদি ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল পার্টি ওফিসশিং মৈ থাদুনা উৎ ওলহনখিবা, অথৌবা লমখৈ লাম্নী ১৮না থৱায়না পোম্থা পীখিবা, মিনিষ্টর/এম এল এশিং থৱায়শিং হিংনবা খা-রাই খঙদনা চেন্নখিবা, য়ারক্তুদুনা হু চেল্লবা ৱাহৈ অহুম জুলাই ২১, ২০০১দা য়ানৱারোলদগী লৌথোকখিবনি। পূম্নমক অসিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরবু হৌজিক ফাওবা মশক খঙদব্রা নৎত্রগা খঙশিন্নদনা মতম অমদা বৃটিশনা শান্নরম্বা 'দিভাইদ এন্দ রুল' চত্থরিব্রা হায়বসিনি। মতমদুদা মীতৈ অমদি নাগাগী মরক্তা অকনবা মওংদা য়ানদবা, মুক্লবগী ফীভম শেম্বা ঙমখ্রবসু চহী লিশীং অনীগী মথক্তগী হৌমিন কামিন্নরকপা মীতৈ-নাগা তৎনফদ্রবা মরী থিন্থদনা হঞ্জিল্লক্তুনা লৈমিন্নরি। ঙসিনা অমুক মৈতৈ-কুকি অনীগী মরক্তা ইমু নাইমু তানবা থোকহন্দুনা, মীকুপ অমদা মুথুৎপা য়ারম্বা মৈরিদুদা মূথুৎপগী মহুত্তা থাও হৈজিন্দুনা, মৈতৈ-কুকিগী মরক্তা অচৌবা পল অমা খানবা হোৎনরি। মণিপুরগী মীয়াম্না খানবা হোৎনরিবা পল অসিসু থুদেক্কনি, মৈতৈ কুকি নুংশিনবগী মরীসু থিন্থদনা শাগৎকনি খঙগদবনি। মৈতৈ-নাগা-কুকি বোন্দিং, নুংশিনবদা যূম্ফম ওইদুনা শাগৎলকখিবা মণিপুরগী পুৱারী চহী ৩০০০দগী তাদনা পুথরল্লবনি হায়বসি খঙগদবনি।

ৱাহংদি ঙসি ফাওবদা মৈতৈ-নাগাগী মরক্তা লৈখিবা য়ানদবা ফীভমশিংদা খূৎলায় পায়বশিংনা করিগুম্বা মওং অমদা মখোয়গী নোংমৈগী মতোলশিংনা মীচম মীয়ামদা ওনশিনবগী থৌদোক অমত্তা লৈখিদ্রগা হন্দক্কী কুকি মিলিটেন্টশিংগী নোংমৈ চিন্দোলনা অতম্ননা মীতৈগী মীচম মীয়ামদা করিগী ওনশিল্লক্লিবনো হায়বসিনি? নীংশিংবা থোক্তবা মতমদগী হৌমিন্নরক্তুনা ইরমদমগী লৈহাওদা খোরি নাওফম ফুম্মিন্নরিবা মৈতৈ অমদি নাগাশিং মণিপুরগী অশেংবা ইন্দিজিনস পিপলনি হায়না হন্দক্তসু নাগাগী লুচিংবা মুইভানা ফোঙদোকখিবনি। অরিবা কুকিশিং আইমোল, অনাল, চিরু, চোথে, কোইরেং, কোম, পুরুম, লমগাং, মোয়োন, মোনশাং, গাংতে, ভাইফৈ অমদি কোইরাওনচিংবশিংদি মণিপুরী ইফুরুপচাশিংগী মনুংদা চনখ্রবনি। অনৌবা কুকিশিংনি হায়রিবা সিমতে, পাইতে, জৌ অমদি মারশিং ১৯শুবা চহীচাদা মণিপুরদা চঙলকখিবা ওইরবসু কুমজা ১৯৫১গী মমাঙদগী লৈরকখিবশিং মরিপুরীনি হায়বসি কুমজা ১৯৮০ অমদি ১৯৯০গী মতমদুগী অকনবা মীরৈবাকচা তাম্থোকপগী ঈহৌশিংদা য়ানবা লৈখ্রবনি। হৌজিকসু মণিপুরদা এন আর সী চৎনহনবগী থবকশিং পায়খৎপদা মথক্কী ঈহৌশিংগা মরী লৈনবা য়ানৱারোলশিং রিফরেন্স লৌদুনা পায়খৎফম থোকপা লৈরিবনি।

হন্দক ইখঙ খঙহৌদনা কুকি লালহৌবশিংনা মৈতৈ মীচম মীয়ামগী মথক্তা শান্তিগী মায়খুম উপ্লগা তমথীবা মীহাৎ, যূম কৈ মৈ থাবা, মীওইবগী লিচৎ নত্তবা কয়া চত্থরল্লিবসি য়েলহৌ ফুরুপ ওইখ্রবা খোংজাইশিংনদি তৌরোই, ঙরাংতা ১৯শুবা চহীচাদা লমহেন তুহেল্লুবগী বর্মাগী মিলিটরি জুন্তানা তাম্থোরকপদগী মণিপুরদা লাঞ্জেল্লকখিবা চিনশিংনা লুচিংদুনা চত্থরকপনি। মখোয়গী খোইরি নাওফম লমদমসিদা তাখিবা নত্তবনা মণিপুরবু মমা লৈবাকনি খনবা ঙমদবা কাঙবু ওইবনা য়েলহৌ ফুরুপ মচাশিংবু নোংমৈনা নমশিন্দুনা থল্লগা মৈতৈ অমদি নাগাশিং নমথনবা চত্থরকপা থৌওংনি। মশীং য়াল্লবা লাম্নীশিংনা মখোয়বু ঙাক্তুনা থল্লমদ্রগদি মৈতৈনা অহিং অনীখক্তা মখোয়বু পড়া তন্বীরমগদবনি, থা অহুম চঙলক্লিবসি চঙলম্লোই। অদুবু মৈতৈনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং অসিদি মতম খরা চঙলবসু মরু ফংনা মূথুৎকনি হায়বসি খঙগদবনি। চাওরবা ইন্দিয়া লৌশিনখিবদা বৃটিশনা নোংমৈ মরু অমফাওবা কাপখিদবনি অদুবু হুরান লোন্নাদা মণিপুরদা লান্দারুবগী বৃটিশকী মরু ওইবা সিফাই ৫ মঙক কক্তুনা হাৎখিবদু নীংশিংগদবনি। ৩৩শুবা চহীচাদগী হৌরগা কুমজা ১৯৪৯ ফাওবগী শাংলবা মতমদা মপূং ওইনা মণিপুরীশিংনা মীখা পোল্লকখিবসি শুপ্নতংগী অৱা লানগাইবা (১৮১৯দগী ১৮২৬ ফাওবা) অমদি বৃটিশ লোইলম ওইবা (১৮৯১দগী ১৯৪৭ ফাওবা) শুপ্নখক্কী চহী ৬৩ খক্তমকনি হায়বা মালেম্না খঙলিবনি, খঙগদবনি। শক্তি অমত্তনা মণিপুর থুগাইবা অমদি মীখা পোলহনবা ঙল্লোই হায়বসি খঙনা থবকশিং তৌজগদবনি।

কুমজা ১৯৫১গী মমাঙদা লাকখিবা মীতোপশিং মীওইবগী চৎনরোলদা যূম্ফম ওইদুনা মণিপুরীশিং ওইমিন্নরসি হায়বসি কুমজা ১৯৮০ অমদি ১৯৯০গী মতমগী মীরৈবাকচা তাম্থোকপগী ইহৌগী ৱারোইশিন পুরকপগী য়ানৱারোলদা য়াওখ্রবনি। অদুবু সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী সিভিলাইজেসনগী মহুৎশিন্দুনা লাক্লিবা মণিপুরগী পুৱারীবু মশক খঙশিন্নদনা ঙরাং ঙসিদা চঙলক্লিবা চিন মচাশিংনা কুকি মিংথোল লৌরগা মণিপুর মূথুৎনবা হোৎনরকপসি মশাগী মংফম থিবা লাকপনি খঙহনবা মতমদু ওইরে। মখোয়না লমলৌলাং ওইনা চীংগী লমশিং খোপচিল্লকখিবা, উমংশিং মাঙ তাকহল্লকখিবদগী খোইশাওনরবা নাগাশিংনা তকখাইরক্তুনা কুমজা ১৯৯২দগী ১৯৯৭ অদুৱাইদা হাৎতোকপীবগী তানফম য়ৌরকখিবদা কুকিশিংবু কনবীনবা মৈতৈশিংনা 'কম্মিটি ফোর পিছ এন্দ ইন্টিগ্রিটি মণিপুর' কুমজা ১৯৯৬তা চীং-তমগী ফুরুপ ৪৮ পুনশিন্দুনা শেম্লগা চীং-তমগী মফম শিনবা থুংনা খুঙ্গং ১৫০০দা চৎতুনা খুঞ্জাশিংগা শান্তিগী ৱারীশিং শান্নদুনা কনবীরকখিবা মখোয়না ঙসিদি মৈতৈদা ওনশিন্দুনা চিক্লকপসিদি খুবোমদা হাওনা ঈ চুপ্লক্লিবা কাঙগী দশাদু তাজগে হায়রকপনি লৌগনি।



*''চ'' গী মশক (আইদেন্টিটি) তাকপদা 'চা-মহিগা', মসিদা য়াওরিবা 'কপ' কা খাইদোক্লবা য়াদে। কপ (পাত্র) গী অকোইবা মপাল মণিপুরগী কোইশিল্লিবা চীংশাং পরেংশিংনি, য়াওরিবা চা-মহিগী ঈমাইনা তম্পাকনি। মসিনা চীং-তমগী খাইদোক্লবা য়াদ্রবা মণিপুরগী শক্তম তাক্লিবনি। কনানা কপকী মখোক (হেন্দল) পায়দুনা কপ অসিবু নিক্লি খঙগদবনি''*

কুমজা ১৯৪৭তা বর্মাদা লৈবা ইথনিক কম্যুনিতিশিংগী ওইবা অচৌবা মীফম 'পাংলুঙ কনফরেন্স' পাঙথোকখিবা অদুদা মশক ফাওবা খঙবীখিদবা চীংখোঙ চীংয়াদা কোইচৎ চৎতুনা লৈখিবা মফি ফাওবা শেৎপা কুইদ্রিবা কাঙবুশিং অসিনা হিংচা য়াইতম্বগী থবক্তা তৌবগী বর্মাদগী তাম্থোরকখিবদা মথ্বাই হিংনবা অৱাং নোংপোক লমসিদা চেল্লক্লগা শাইদাংলরগা থায়নদগী লৈরল্লবা জো-পিপলনি হায়জিন্দুনা বর্মা, ইন্দিয়া (মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লম) অমদি বাংলাদেশকী লমশিং ফল্লগা জেলেন্দ/কুকিলেন্দ/জালেঙগম অমগী মংদ্রঙ মঙদুনা অৱাং নোংপোক লমদা চহী লিশাং শিৎনা হিংশাগী থবক কয়া চত্থরকপা পূম্নমক্না খঙনরিবনি, ঙসিদি পড়া তন্বীবগী মতাং চপ চারবনি। খুদম খরদং পল্লবদা, অৱাং নোংপোক্তা বর্মাদগী লাকখিবা চিনশিংনা কুকিগী মাইখুম উপ্তুনা ঈং-তপ্পা থুগাইরকখিবশিং (১) কুকি-মার হাৎনবা (১৯৫৯-১৯৬০), (২) কুকি-নাগা হাৎনবা (১৯৯২-১৯৯৭), (৩) কুকি-পাইতে হাৎনবা (১৯৯৭-১৯৯৮), (৪) কুকি-দিমাসা হাৎনবা (২০০৩), (৫) কুকি-কর্বি হাৎনবা (২০০৩-০৪), ঙসিনা হৌখিবা মে ৩, ২০২৩দগী কুকি হিংসা লূপশিং পুনশিন্দুনা মণিপুর ষ্টেটকী মথক্তা লান্দারক্তুনা অতম্ননা মৈতৈ মীচমশিং হাৎপা হৌরক্লিবসিনি। অৱাং নোংপোক্কী লৈহৌ ফুরুপশিংনা কুকি ইথনিক হিংশা লুপশিং মরূ ফংনা মূথুৎত্রিমখৈ অৱাং নোংপোক লমদা শান্তি ফংলরোই।

মণিপুর হায়বসি মখা তানা কায়বা য়াদবা মপুম অমনি হায়বসি খুন্দা লৈতামিন্নরিবা ইফুরুপচা খুদিংমক্না খঙমিন্নগদবনি। সেপৌমরাম্দ, জালেঙগম অমদি ইন্দিয়া হায়বা লৈবাকশিং শাগৎপগী মঙশিং মঙনদ্রিঙৈদা ৩৩শুবা চহীচাদা ষ্টেট শেম্বা লোইখ্রবনি, ১১শুবা চহীচাদা অঙনবা মতমগী চৎন কাঙলোন (কন্সটিট্যুসন) 'লোয়ুম্বা শিনয়েল' হায়দুনা লৈরকখ্রবনি, ফ্যুদেলিজমগী পেরিওদতা নিংথৌ ৭৬ (বোধচন্দ্র ফাওবদা) না পাল্লকখ্রবনি অমদি ইন্দিয়া মশাগী কন্সটিট্যুসন লৈজদ্রিঙৈ মমাঙদা 'মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট, ১৯৪৭' লৈদুনা মসিগী মখাদা দেমোক্রেটিক মীখল তৌদুনা ১৯৪৮দা মশাগী এসেমব্লি লৈজদুনা লাকখ্রবনি। য়েৎনবা মরক্তা কুমজা ১৯৪৯দা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবা মতুংদা ইন্দিয়া মশাগী অহানবা সিদ্যুলদা মণিপুরগী ঙমখৈ তাক্তুনা ইরিবদি ''মণিপুর : দ টেরিটোরি হ্বিচ ইমিদিএটলি বিফোর দ কমেন্সমেন্ট ওফ দিস কন্সটিট্যুসন ৱাজ বিয়িং এদমিনিষ্টরদ্ এস ইফ ইত ৱিয়ার এ চিফ কম্মিস্নরস প্রোভিন্স অন্দর দি নেম ওফ মণিপুর' (ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন লৈত্রিঙৈ মমাঙগী মণিপুরগী ঙমখৈ অদুনি) হায়না হৌজিকসু শেংনা য়াওদুনা লৈরিবসিনি। ●

-*এস ভুবোল*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।